ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টি মায়থীবা পীদুনা বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা মাদ্রিদ ওপন টাইটল লৌখ্রে

মাদ্রিদ, মে ০৯ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী এস্লি বার্টিবু ঙরাং অথেংবদা মাদ্রিদতা শান্নখিবা মাদ্রিদ ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মঙাশুবা সিদেদ ওইখিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চহীদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা টাইটল লৌখিবনি। অদুবু মহাক হন্দক্কী সিজন অসিদা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় কুদরমেটোভাগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌবনি। এস্লি বার্টিনা কার্টর ফাইনেলদা ৯শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী পেট্রাকিটোভাবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩দা থোইরমখি। অদুগা সেমীফাইনেলদনা ৮শুবা সিদেদ স্বিটসজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু থোইরম্বী স্পেনগী পোলা বাদোসাবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

নাকল অমরোমদা, সিজন অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী বেলারুসকী এরিয়না সভালেনকানা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু থোইরমখি। অদুগা সেমীফাইনেলদনা রসিয়াগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভাবু ৬-২, ৬-৩দা থোইরল্লগা ঙরাং ফাইনেল শান্নখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা এস্লি বার্টিগী শোট খূদিংমক এরিনা সভালেনকানা খূদুম চন্দুনা মহাক্কী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা ৬-০দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিলথাবা হৌখি। অনীশুবা সেটতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী ফজরক্তুনা সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইবদগী ফাইনেল মেটচ অদু নৌহৌননা লম্বা অমুক হৌরকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনীগী মশান্না য়াম্না লেং মান্নখি। অমনা অমগী সর্ভিস গেমশিং ব্রেক তৌবা ঙম্নখিদবদগী গেম ৮ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৪/৪ মান্নদুনা লৈখি। এস্লি বার্টিগী সর্ভিস গেম অমা সভালেনকানা মুনবা ঙমখিবা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌদুনা থংনবা গেম অনী থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তুনা ঙসি অথেংবদা মঙাশুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং ৮শুবা সিদেদ ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিগা শান্নরগনি। পনবা য়াই, অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম থোইরমখি। অদুগা মাটিও বেরেটিনিনা ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা নোরৱেগী কেস্পর রুটপু থোইরম্বনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসনা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বগী মৈরী ওইরগনি হায়না সেবেসিয়ন কোনা ফোঙদোকখ্রে

টোকিও, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) মীয়াম্না শম্না ৱর্ল্ড এথলেটিক্স হায়না খঙনরিবা লূপ অসিগী মকোক ইংলিশ মচা সেবেসিয়ন কোনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, চহী ১ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা য়ৈথোরক্লবা অদুগা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা অকনবা মওংদা শেম শারিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিনা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বগী মৈরী ওইরগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা থা ৩ ফাজিল্লক্ত্রবা অসিদা জপান খক্তা নৎতনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদসু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিনা শোকহনবগী চাং অসুম হেনগৎলক্লি। মসিগা মরী লৈননা টোকিও অমদি অতোপ্পা থংনবা প্রিফেকচর অহুমদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা অদু ইরাই নুমীৎতগী অমুক হন্না শাংদোকখ্রবনি। ইমর্জেন্সি অসি লাউথোকখিবগী অচৌবা মরমদি মীরমদগী লাক্কদবা ভাবোক অমত্তা ওলিম্পিক্স মীৎয়েং তাবা য়াররোইদ্রবসু জপানগী মীয়াম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা অসিনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসি হান্নদগী হেন্না শংদারক্কনি হায়বগী অকিবা লৈরিবসি কোক্লনবনি।

সেবেসিয়ন কোনা ঙসি টোকিওগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা ভাবোক অমত্তা চঙহন্দনা এথলেটিক্সকী টেষ্ট ইভেন্টশিং পাঙথোকপা অদুদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা জপানগী মীয়াম্বু অমুক হন্না থাজহনবগী মথৌ তারি। হৌজিক লৌখৎলিবা কোভিদ-১৯ শংদাকপগী চাং অসি হন্থনবা অকনবা খোঙজং অসি ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্না য়াম্না চেকশিন্না লৌগদবনি হায়খি।

মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিনা মপূং ফানা মীয়াম্না চিংনরিবা অসি কোকহন্দুনা পুম্নমক্না পাল্লিবা অনীংবা অদুগী মৈরী ওইহল্লগনি হায়খি। গেমস অসিনা মতম পূম্বদা শান্নবগী ফ্রেটর্নিটি খক্তা নৎতনা মীপুম খূদিংমক্কী ওইনসু কাউবা য়াররোইদবা থৌদোক অমা ওইহৌরগনি। লুরবা কোভিদ-১৯গী তানফম অসিদা গেমস অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লুনা কোভিদ-১৯বু লান্থেংনবা ঙম্মী হায়বসি মীয়ামদা খঙহনগদবনি। জপানদা কোভিদ-১৯না নারগা শিখিবা মশীং অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদদি য়াম্না হন্থরিবনি।

রেষ্টলর সিমা ভিস্লানা টোকিও ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরকপদা থাগৎপা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি

ন্যু দেল্লী, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সিমা ভিস্লানা ইরাই নুমীৎকী অথেংবদা বলগেরিয়াদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং রেষ্টলিং টুর্নামেন্টতা ফাইনেল য়ৌদুনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০গী কাঙলূপ্তা টোকিও ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরকপদা থাগৎপা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। অদুগী মনুংদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওখি।

কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, সিমা ভিস্লাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা বলগেরিয়াগী সোফিয়াদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০গী ফাইনেল য়ৌদুনা ওলিম্পিককী কোটা অমা ফংলকপা অসিদা হরাউবা ফাওবগা লোয়ননা রেষ্টলর অদুদসু থাগৎপা ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

সিমা ভিস্লানা সোফিয়াগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ফাইনেল য়ৌদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা ৮শুবা রেষ্টলর ওইরি। কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী অপূনবা রেষ্টলরশিং অসিদা মখোয়গী হান্না লৈখিবা থাক অদুদগী হেন্না কন্না হোৎনদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লকপা অসি থাগৎতবা ঙমদে। লোয়ননা মখোয়বু লমজিং লমতাক্লিবা কোচ অমদি ওফিসলশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সিমা ভিস্লানা ক্বালিফাই ওইরকপা অসিনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলগী কোনুং রিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না রেষ্টলর ৮না শরুক য়াখিবা অদুগী রেকোর্দ অদুগা মান্নবা ঙল্লি।

ইন্দিয়াগী মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা রেষ্টলরশিং অদুদি নুপাগীদা রবি কুমার দাহিয়া (কেজি ৫৭), সুমিট মালিক (কেজি ১২৫), বজ্রং পুনিয়া (কেজি ৬৫) অমসুং দিপক পুনিয়া (কেজি ৮৬)নি। নুপীগীদা ভিনেশ ফোগৎ (কেজি ৫৩), অন্সু মালিক (কেজি ৫৭), সোনম মালিক (কেজি ৬২) অমসুং সিমা ভিস্লা (কেজি ৫০)নি।

বেয়র্ন ম্যুনিকনা মোনচেনগ্লাবাককা শান্নগদবা মেটচকী মাংওইননা আর বি লৈপজিগ বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মখূৎতা মায়থীখিবদগী বুন্দেসলিগাগী টাইটল ফংখ্রে

বর্লিন, মে ০৯ (এজেন্সী):

মমাং চহীগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা মখোয়না ৩২শুবা রাউন্দ শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগপু বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখিবদগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা বুন্দেসলিগাগী টাইটল ৯লক থংননা ফংবা ঙমখ্রে।

ঙরাং ফাওবগী মাংওইননা রাউন্দ ৩১ লোইশিনখিবদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা পোইন্ট ৭১ অদুগা আর বি লৈপজিগনা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা লৈরম্বনি। রাসেনবোলস্পোর্টনা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু মায়থীবা পীবা তারল্লবদি পোইন্ট ৬৭ ফংদুনা লৈরমগদবনি। অদুবু মখোয়গী পোইন্ট অদু মায়থীদুনা হেনগৎপা ঙমখিদবদগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা পোইন্ট ৯ হেনবতা নৎতনা গোল দিফরেন্সতসু কাহেন্না হেনখিবা মরম্না মখা তাবা রাউন্দ ২দা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা মখোয়গী মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ হাপচিল্লগা পোইন্ট ৭০ ফংলবসু বেয়র্ন ম্যুনিককী অপূনবা পোইন্ট ৭১ অদু য়ৌবা ঙম্লোইদবা মরম্না লীগ অসিগী চেম্পিয়ন অদু বেয়র্ন ম্যুনিকনা মখোয়গী ৩২ শুবা মেটচ অদু শান্নদ্রিঙৈদা লৌবা ঙমখিবনি।

টাইটল লৌবগী পাউ খঙলবসু বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাকক্না শান্নখিবা মেটচ অদু করিগুম্বা মখল অমত্তগী কোমথোকপা লৈতনা শান্নখি। টিম অদুদা শরুক য়ারিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা মমাংগী মেটচ খরা মশা শোকপদগী য়াওবা ঙল্লুদ্রবসু হেটট্রিক ফংদুনা টিম অদুনা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাকপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৬-০দা থোইবা ঙমখি।

লিৱান্দোস্কিনা অহানবা পাঞ্জল অদু মেটচকী অনীশুবা মিনটতা দেবিদ অলাবাগী পাসতা চনখিবনি। মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা টিমমেট থোমাস ম্যুলরনা জমাল মুসিয়ালানা পীরকপা বোলদগী চনখি। মেটচকী ৩৪ শুবা মিনটতা লিৱান্দোস্কিনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইশিল্লক্লবদা বেয়র্ন ম্যুনিককী অতোপ্পা শান্নরোয় কিংসলে কোমাননা লিৱান্দোস্কিগী সপ্লাই অমদা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ২১ চঙশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিককী অতোপ্পা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু লিৱান্দোস্কিনা ৬৬শুবা মিনটতা চন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক ফংখি। শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী অতোপ্পা শান্নরোয় লিরোই সেননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৬-০দা থোইখি। লিৱান্দোস্কিগী হেটট্রিক অদুদা চহী ৪৯ শুরবা বুন্দেস্লিগাগী পাঞ্জল ৪০ চনবা ঙম্বা গর্গ ম্যুলরগী রেকোর্দ অদু মান্নগদবা পাঞ্জল ১ খক্তমক ঙাইরে।

ইংলেন্দদা থা অনী মখায়গী টুরগীদমক্তা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ শান্নগদবা মতমশিং অদু লেপখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা টেষ্ট মেটচ ৬ অমদি ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অদুগীদমক্তা জুন ২দা ইন্দিয়া থাদোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা মুম্বাইদা নুমীৎ ৮নিগী ওইবা য়াম্না চেকশিনবা ক্বারন্টিন তৌগদৌরি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইংলেন্দ য়ৌরবা মতুং সোফ্ট ক্বারন্টিন (ট্রেনিং য়াহনবা)গী মতম নুমীৎ ১০নিগী ওইরিবা অসি হোংদোক-হোংজিন তৌননবা কন্না ৱারী শানরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা লন্দনগীদমক ফ্লাইট তোংদ্রিঙৈ মাংওইননা হোটেল কাদগী হেন্দাক্তবা হার্দ ক্বারন্টিনগী নুমীৎ ৮নিগী মতম অমা লৌগদৌরি। হায়রিবা মতমশিং অসিগী মনুংদা চৎকদৌরিবা মেম্বর খূদিংমক্না নীনিশুবা, মরিনিশুবা অমদি তরেৎনিশুবদা আর টি-পি সী আর রিপোর্ট অদুদা নেগেটিভ ওইরক্কদবনি হায়রি।

ইংলেন্দদা লাক্কদৌরিবা টেষ্ট মেটচশিং য়াওগদবা খূদিংমক সাউথমটনদা লৈবা হোটেল হিলটনদা লোইনা লৈগদৌরি। নুমীৎ ১০নিগী ওইবা সোফ্ট ক্বারন্টিন অদু খরা তেনশিন্নবা ৱারী শানবনি হায়রি।

করিগুম্বা নুমীৎ ১০নিগী ক্বারন্টিন অসি তেনশিন্দ্রবদি জুন ১৩দগী ইন্দিয়াগী মেম্বরশিং অদুনা সাউথমটন সিটিগী অকোয়বদা চৎথোক-চৎশিন য়াহনগদৌরি। লোয়ননা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অদু জুন ১৮দা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবনি। হায়রিবা ফাইনেল মেটচ অসি লোইরবা মতুং থা ১ রোম গেপ লৈরগা ইন্দিয়ানা অমুক ইংলেন্দগা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজ অমসু অমুক শান্নগনি।

ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরভ গঙ্গুলি অমদি সেক্রেটরি জে সিংহসু মীৎয়েং তাবা চৎকদৌরি হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে, লিভরপুলসু সাউথমটনগা শান্নবদা মায় পাকখ্রে

লন্দন, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এষ্টন ভিল্লাবু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা সাউথমটনবু লিভরপুলনা ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মমাংগী মেটচ ৩৩ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৬৭ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, এষ্টন ভিল্লা রাউন্দ ৩৩দা পোইন্ট ৪৮ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২০ লোম স্কোরবোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অদুবু শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা এষ্টন ভিল্লাগী বর্ট্রান ট্রাওরেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ অদু মখোয়না হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৭ খক চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। মিনট ৪গী মনুংদা য়ুনাইটেদকী বিসাকানা পীরকপা বোলদা মেসন গ্রিনৱুদনা ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনশিল্লগা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। অদুগা শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মার্কস রাজফোর্দনা ক্রোস তৌরকপা বোল অদু ইদিন্সন কবানিনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা মেটচ অদু থোইখি।

ঙসি অঙনবদা লিভরপুল অমদি সাউথমটনগী লম্বাদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী সাদিও মানেনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং মিনট ৯০ শুরকপদা টি অলকান্টরানা ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ফুটবোল্লর টেনিসন লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস):

চান্দেল ফুটবোল ফ্রেন্দসকী মায়কৈদগী ক্লব অসিগী ভেটরান গোলকিপ্পর ওইনা শরুক য়ারম্বা লিৱা চঙনিং ভিলেজদগী মোরিসন টেসোমগী মচানুপা অদুগা এন জি জাসিন্থাগী মপূরোইবা টেনিসন টেসোমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। টেনিসননা লিৱা চঙনিং এফ সীদা শান্নরম্বতা নৎতনা অম্ফানা পাঙথোকপা ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়াসু শরুক য়ারমখি। মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা সী এফ এফনা শরুক য়ারি হায়রি।

ডা. সলাম মনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

শান্ন-খোৎনবগী হীরমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ইম্ফালগী রিটায়র্দ জেনরেল দিরেক্টর ডা. সলাম মনিনা থা অসিগী ২দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসিয়াটিক মোঙ্গোলোইদ এদ্যুকেসনেল স্পোর্টস সোসল এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) থৌবাল, মণিপুরনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট কোন্সম মাইকেলনা পীরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা লৈখিদ্রবা ওজা অসিনা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর সাই ইম্ফালগী রিজনেল দিরেক্টর ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৯৮দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা রেসিদেন্সিএল কম নন-রেসিদেন্সিএল বোক্সিং কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা মশান্না অসিবু হৌদোকপীরমখি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অমসুং দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংলবা লৈশাংথেম ইবোমচানা কোচ ওইদুনা চথখিবা বোক্সিং কোচিং কেম্প অদুদা শান্নরোয় ১৫০ রোম্না শরুক য়াখি। হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সিংদা শক্নাইরবী লাইশ্রম সরিতাসু হায়রিবা কেম্প অদুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবী শান্নরোয়নি। মসিদা নৎতনা ইন্দিয়াদা নুপী বোক্সিং মশান্না অসি ওজা মনিনা হৌদোক্লম্বনি হায়না পুৱারী অমসু লৈরি। অসিগুম্বা ওজা অসিনা লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমা ওইরগনি হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

লৈখিদ্রবা ওজাগী থৱায় মিরেলনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থৌনীখিবগা লোয়নন্না লৈখিদ্রবা ওজাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু মপূং ফানা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

[illegible]

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com